মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

এলেভেন ষ্টারনা য়ু বি এস এবু মায়থীবা পীখ্রে, এন আই ভি এস ও অমসুং য়ু পি এ এনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চথররিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এলেভেন ষ্টারনা য়ু বি এস এবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এন আই ভি এস ও অমসুং য়ু পি এ এনা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী এলেভেন ষ্টার অমসুং য়ু পি এস এ শান্নখি। মেচ হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১৯ এন বিনোদ খনানা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈহনখি।

গোল অদু হন্দোক্লনবা য়ু পি এস এনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু এলেভেন ষ্টারগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু পি এস এনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এলেভেন ষ্টারনা গোল অমা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১২ দল্লিয়ু বিসেশ্বরনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে হায়দুনা য়ু পি এস এগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা চোকথবা নাইদনা এটেক কয়া চথরকখি। এটেকশিং অদু এলেভেন ষ্টারনা য়াম্না ফজনা দিফেন তৌখি। মেচ লোইগদবা মিনিট খরা খক্তমক ঙাইরবা মতমদা য়ু পি এস এগী শান্নরোয়শিংনা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা ফনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এলেভেন ষ্টারনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা এলেভেন ষ্টারগী কে ঐচ রোবিনসন অমসুং দল্লিয়ু বিসেশ্বর মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবদগী এন আই ভি এস ও অমসুং য়ু পি এ এ শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা এন আই ভি এস ওগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি সেরাজনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মিনিট অহুমখক কান্নরগা য়ু পি এ এগী জর্সি নম্বর ১১ শান্তনুনা গোল অদু মেচকী ২০শুবা মিনিটতা হন্দোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা টিম অনীমক্না চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না মখা তাবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস এস সী অমসুং ৱাই ও এস সী শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ দনা য়ু এস এ অমসুং দি ও এ কে শান্নগনি হায়রি।

এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৭ ওগষ্ট ২৬তগী পাঙথোকপা হৌরগনি

Orgd. by: Apunba Fitness Centre

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ :

অপূনবা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সী) নাগামপালনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপগুম হন্দকসু এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৭ চহীসিগী ওগষ্ট ২৬ তগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী মেনেজিং দিরেক্টর য়ুম্নাম হেমলেট, ষ্ট্রোংমেন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

নাগামপালদা লৈবা অপূনবা ফিটনেস সেন্তরদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা য়ুম্নাম হেমলেটনা হায়খি, চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ২৬ তগী হৌগনি। ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি থা ৩ চুপ্পা চথদুনা নবেম্বর ২৬ তা লোইশিনগনি।

মশা মউ ফবা তিঞ্জং কাইজংদবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা নুপী অঙাং খাক্তনা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্কা শরুক য়াদুনা মপূং ফাহনবীয়ু।

ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিনা মীওইবগী হকচাংবু থা ৩ গী মনুংদা চুং ফিরাল চাবা, মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অসিদসু নত্তনা নোংমা নোংমগী নিশাগী ইপাক্তা তাওদুনা লৈরিবা লমদমসিগী নহারোল কয়াবু মশা মউফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং অমসু পাঙললগনি। মশা য়াম্না নোয়বা অমদি ময়াং য়াম্না কংবা য়েংবদা চুং ফিরাল চাদবা মীওই কয়াবু মতমগা চুন্নরবা এক্সর্সাইজ কয়াগী মতেংগা লোয়ননা য়েংবা নুংঙাইবা অমদি মশা মউফবা মীওই অমা ওইহন্নবগীদমক চাংদম্নবা অসিদা শরুকয়ানিংবা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৪ ফাওবনি। ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ওগষ্ট ২৬ তা পাঙথোক্কনি। ফাইনেল রাউন্দনা নবেম্বর ২৬ তা পাঙথোক্লবা মতুং চেলেঞ্জ অসিগী গ্রান্দ ফিনালে চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি সীদা পাঙথোক্কনি।

নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগদৌরিবা ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তারবশিংদা শেলগী মনা অমদি অখন্নবা প্রাইজ কয়াসু পীগনি।

নুপা অমসুং নুপীগী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লাক্ষ ১ গী শেলগী মনা পীগনি। অনীশুবা পোজিসন্দনা লুপা লিশীং ৫০ অদুগা অহুমশুবা পোজিসন্দনা লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা পীগনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জদা ৪ শুবা পোজিসন্দগীনা ১০ শুবা পোজিসন ফাওবদা শেলগী মনানচিংবা কয়া পীরম্বা অদু হন্দক্কী চহী অসিদদি পীররোই। মদুগী মহুৎতা ৪ শুবা পোজিসন্দগীনা ১০ শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা চনবশিংদা থা ৬ কী ওইনা ফ্রী মেম্বরসিপকী খুদোংচাবা পীগনি।

ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা অখন্নবা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা চহী ৪০ গী মথক্তা লৈরবশিংদসু অখন্নবা লুপা লিশীং ১০/১০ গী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা নুপা অমসুং নুপীগী বেষ্ট ত্রেন্নরদা লুপা লিশীং ১৫/১৫ গী শেলগী মনা পীগনি। বেষ্ট ত্রেন্নরদা পীগদৌরিবা মনা অসি হান্নদি লুপা লিশীং ১০ খক্তমক পীরম্বনি। অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদগীদি লুপা লিশীং ৫ হেনগৎপনা পীদুনা ত্রেনরশিংবু হেন্না পুক্নিং থৌগৎপনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী দিরেক্টর পি ঐচ রোমেস, অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজর লক্ষ্মি কোইজম অমদি সেন্তর অসিগী চীফ ইন্সত্রক্টর সন্তোসসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হায়রিবা চেলেঞ্জ অসিদা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্কা মায় পাক্না পাঙথোকপদা মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

১৬ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭

এস এ ৱাই সী টিম এনা ৱাই এল সীবু মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ০১ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা চথরক্লিবা ১৬ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবীনা য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী) দিবোং খুনৌবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরানা শরুক য়াদুনা হৌখিবা জুলাই ২৬ তগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা মেচ ওইনা ঙসি এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবী অমসুং ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এস এ ৱাই সী টিম এনা কাং কাপ্পা হৌখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাং কাপ্লখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপদা এস এ ৱাই সী টিম এনা ৱাই এল সী বু পাঙ্গল ১৯-৮ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা ও মঙ্গী মীতৈনো জজ অমসুং কে ঐচ বসন্তনা স্কোরর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা এম আই টি এল জিরিবাম অমসুং এল ঈ সী টিম বি বাবুপড়া শান্নরগনি হায়রি।

নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী শান্নরোয়শিং ঈরাং হৌরকখ্রে

DIRECTORATE OF YOUTH AFFAIRS & SPORTS

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ : খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী প্রেক্টিশ তৌবদা শীজিন্নগদবা খুৎশু খুৎলায়শিং অমদি ইক্বিপমেন্টশিং ওথোরিটিনা মপূং ফানা পীবিদে হায়বগী পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি ঈরাং হৌরকখ্রে। খোইশাওনরবা শান্নরোয়শিংনা স্পোর্টস একাদেমি অসিগী ওফিসকী গেট ছো লোনশিল্লুরে।

তোঙান তোঙানবা মশান্না তরুক হায়বদি বোক্সিং, টাই ক্বান্দো, রেসলিং, ৱেথলিফটিং, জুদো অমদি আর্চরিদা ওলেম্পিক য়ৌনবা শেমগৎলিবা শান্নরোয়শিং অসি মমিংতগী ওইরে, ৱাহঙ্গোক লৈত্রে হায়দুনা ঙসি অয়ূক একাদেমি অসিগী শান্নরোয়শিংনা ঈরাং অদু হৌরকখিবনি।

কুমজা ২০০৭ তগী হৌনা শেমগৎলক্লিবা চহী ১০ হেল্লক্লবা একাদেমি অসিগী মতাংদা খোইশাওনরবা শান্নরোয়শিংনা হায়খি, নেসনল স্পোর্টস একাদেমি অসিদা ঐখোয় ক্লাস সিক্সতগী তল্লকপা কয়াসু য়াওরি। হান্না চঙলকপা মতমদদি ঐখোয়সি ৱাখল য়াম্না চাউনা লাকচখিবনি। ঙসিদি নীংবা কায়না হনখিবগী ফীভমদা লাক্কদৌরে। নেসনল স্পোর্টস একাদেমি অসিদা হেক চঙলকপদা শান্নবদা শীজিন্নগদবা কিট্স, খোঙউপ, ফিরোল অমুকখক্তং পীখি। মদু চহী মরি হৌখ্রে। মখা তানা শান্নবদা শীজিন্নগদবা খোঙউপ, খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা অমত্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীবিদে।

শান্নরোয়শিং অদুনা হায়খি, বোক্সিংগী ওইনা গ্লোব পীবিদ্রবদি মতৌ করম্না শান্নগনি। ৱেথ লিফটিংগীসু প্লেটফোর্ম থন্বীদে। ষ্টেটকী শান্নফমদা তাঙলগা শান্নহল্লি। জুদোগী ওইনসু অশেংবা মেট পীবিদে। শেগাইরবা অমনবা, শীজিন্নবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা মমিংতগী ওইনা ত্রেনিং তৌহনবসিনদি ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লরোই। লোয়ননা স্পোর্টস একাদেমি অসিগী থবক থৌরমশিং পুংহো হোরে।

একাদেমি অসিদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংবু লাইরিক লাইশু তাকপী তন্বীরিবা ওজা মঙা ত্রান্সফর তৌবদা য়াওখিবদগী হন্দক চহীদা ইগজাম পীগদবা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে হায়নসু শান্নরোয়শিং অদুনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

শান্নরোয়শিংনা হৌরকখিবা ঈরাং অদুগী মতাংদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরগা শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিংগা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা ৱাই এ এসকী দিরেক্টরনা নুমিৎ মরি/মঙানিগী মনুংদা শান্নরোয়শিংগী মথৌ তাবা ইক্বিপমেন্টশিং পীরগে হায়না থাজবা পীরকখিবদগী ঈরাং অদু নেমথখি।

১৬ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট ২০১৭

কে পি এস সী ককচীংনা গোল ২-০ দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শিল্লগা চথরিবা ১৬ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে পি এস সী ককচীংনা গোল ২-০ দা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম নিপান্না শরুক য়ারগা ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪০ তাবদগী এস এ ও ককচীং অমসুং কে পি এস সী ককচীং শান্নখি। মেচ হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা মেচ অদু অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ৫০ শুবা অদুৱাইদগী কে পি এস সী ককচীংনা মেচ অদু লাকচরপ তৌনা শান্নবা হৌরকখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিলনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল অদু হন্দোক্লনবা এস এ ও ককচীংগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু দিফেন্স তৌবদা নত্তনা কে পি এস সীনসু মখা তানা এটেক চথরকখি। মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা এস এ ওগী শান্নরোয় অমনা ওন গোল অমগা চনখিবদগী মেচ অদু কে পি এস সী ককচীংনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেচ লোইদ্রিঙৈদা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা এস এ ওগী শান্নরোয়শিংনা চোকথবা নাইদনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা এস এ ওনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ৩ গী নুংথিল পুং ১.১০ তাবদা আই ৱাই এ অমসুং এস দল্লিয়ু সী শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.১০ তাবদনা ৱাই পি ও অমসুং য়ু বি এস এ শান্নরগনি হায়রি।

তরানিপানশুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

ৱাই দি ওনা এস কে ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দি ওনা এস কে ৱাই সীবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী ৱাই দি ও অমসুং এস কে ৱাই সীনা শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদে। অহানবা হাফ লোইশিল্লমদাই মতমদা ৱাই দি ওনা লাকচরপ তৌনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ১৯ ঈ জোকিষন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৩ খক কান্নরগা মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ২৩ এন চীংলেনস্নানা গোল অমগা অমুক চনখি। মসিগী মতুং মেচকী ৪০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ১০ এ কম্বিরনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দি ওনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা এস কে ৱাই সীগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী এ কম্বিরনা গোল অমগসু চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৪-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা এস কে ৱাই সীনা ফনা কন্না হোৎনখি। অদুমক্পু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ৱাই দি ওনা গোল ৪-০ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা এস কে ৱাই সীগী সী ঐচ মাইসৌ থোনবৌ অমসুং ৱাই দি ওগী এন ওলেন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।


LAI GI MACHA MAYAM
ILLUSTRATION DEVKR LAISHRAM
STORY BABU IRENGBA
অপানবনা য়াম্না মান্না উদা উবদৌনা হায়রকই।
হৈয়ে হৈয়ে। ইশ! ঐনা লৌরগদবা খুৎনিংথৌগী খুদোপসে ময়াদা উন্মগা মমিৎনা মশাগী মখোয়দৌদা য়েংঙগা লোৎলিবা অসিদি ঐদি ইঙান ঙান্না উরে। ও ইবেন্মা কান্নররোই থোরক্লো ঐ অমুক কেকু লোৎলগে।
হেল্লোই অতোম্বীদু য়াম্না চেকশিন্না ৱাখল খন্না লোৎলি।
ঐবু খঙখ্রবজাৎলনে, হেরা খঙম্মোইদা।
লোৎলিবদু চপ মান্নবা হায়রকপদুদা মচে অহলদুনা উদা উরবোই নিংদুনা মনাওবু কৌখৎলি।
ও ইবেন্মা নঙনা চেৎনা লোৎলিবদো মীনা উখ্রে খঙখ্রে কান্নররোই থোরক্লো।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com